# মহৈরোইশিংনা পোলিটিকেল পার্টি ৪গী ওফিস ছো লোনশিনখ্রে, ১৭ ফাজিনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ১৯ঃ* মহৈরোই রিচার্দ লোইতাম অমসুং ওক্রম লাবা মীশিগী মতাংদা চেন্নবশিং মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি হায়বা দাবীদা মহৈরোই লুপ তরুক্না চংশিল্লকখিবা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি পোলিটিকেল পার্টি মরিগী ওফিস ছো লোনশিনখ্রে। থৌওংদুদা পুলিসনা মহৈরোই ১৭ ফাজিনখ্রে। মরকসিদা মহৈরোই লুপ তরুক্কী মায়কৈদগী ফাজিনখিবশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্রবদি মৈহৌ-লাংপোক থোকহনবা য়াওবা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

মহৈরোই লুপ তরুক অসিনা চংশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বিজেপি ওফিস ছো লোনশিনখি। ওফিস ছো লোনশিন্নবা হোৎনবদুদা বিজেপি মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট শান্তিকুমারনা মহৈরোইশিং অদুবু কনভিন্স তৌনবা হোৎনখি। অদুবু করিমত্তা তাবা তৌদনা ওফিস অদুগী থোং-থোংনাও থুগায়বা য়াওনা বিজেপিগী ওফিসতা থেৎপা পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন গাদকারিগী পোষ্টর শেগাইখি। ওফিস মনুংদা লৈবা পার্টিগী মেম্বরশিংসু মপান্দা তাহোত্তুনা মেইন গেট ছো লোনশিনখি।

মদুগী তুংদা এমপিপি ওফিস ছো লোনশিনখি। রূপমহল টেঙ্কতা লৈবা সিপিআইগী ওফিস ছো লোনশিন্নবা চৎপদা মফম অদুদা হান্না ঙাক- শেনদুনা লৈরম্বা সিটি পুলিসকী ওসি তেজবির অমসুং ত্রাফিক পুলিসকী দিএসপি ভিক্টোরিয়াগী টিমনা মহৈরোইশিং অদু ফাজিনখি।

নাকল অমরোমদা মতম অদুমক্তদা বিটি রোদতা লৈবা কংগ্রেস ভবন থোং লোনশিনবা চৎখিবা মহৈরোই কাংবু অমা ওফিস অদুদা হান্নদগী ঙাক শেন্দুনা লৈরম্বা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা চাওনা মুরুবা থোকখি। তুংদা সেক্যুরিটিশিংনা মহৈরোইশিং অদু লার্থি চার্জ তৌদুনা তানখায়খি।

থৌওংদুদগী খোইশাওনরবা মহৈরোইশিংনা বিটি রোদকী রোদ দিভাইদর ওইনা থল্লিবা বেরিকেটশিং অদু কংগ্রেস ওফিসকী মেইন গেট মমাংদা চিংশিন্দুনা থমখি। থৌওংদুদা অহেনবা পুলিসশিং থোমজিন্দুনা মহৈরোইশিং অদুবু তানখায়খি। সিপিআই ওফিস ছো লোনশিন্দুনা ঘেরাও তৌখিবদুদা পুলিস ফাজিনখিবশিং অদুদি, এমসুগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সুরেস, কেএসএগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম প্রদিপকুমার, এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি প্রেমকুমার লাইশ্রম, এমএসএফকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি মাইবম বিদারাজ, দেসামগী ভলুন্টিয়ার এম হেরোজিৎ, দেসাম ইম্ফাল ৱেষ্টকী ভিপি রিসিকুমার মৈতৈ, সেক্রেটরি জেনরেল ঐচ অমর কান্তা, দিপ্যুটি সেক্রেটরি সলাম নিংথেম, এমসুগী ভলুন্টিয়ার মনিবাবু নিংথৌজম, কেএসএগী ভলুন্টিয়ার পি রাজকিরন , ইরোম অরুনকুমারনি, এসয়ুকেগী ফাইনান্স সেক্রেটরি টিঐচ রিচার্দ, এমএসএফকী ভলন্টিয়ার ডব্লিউ দিপু, মণিপুর কলেজগী মহৈরোই এম গোবিন, এমএসএফকী তাওরেম অরুনকুমার, কেএসএগী এম অমিট কুমার, এসডব্লিউএকে গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে জনকিনাৎ শর্মানি।

অমরোমদা মহৈরোই লুচিংবশিং ফাজিনখিবা অসিগা মরী লৈননা কৈশাম্পাৎতা লৈবা দেসাম হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দেসামগী জেনরেল সেক্রেটরি এম থোইথোইনা ফোঙদোকখিবদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওফিস থোং লোনবগী খোঙজং অসি মরুওইনা মহৈরোই লুপ তরুক্না রিচার্দ লোইতাম অমসুং ও লাবা মীশিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোকউ হায়না থা অমা চুপ্পা খোঙজং চংশিনখ্রবা ফাওবদা পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিনা মমিংতগী ওইনা থবক তৌরম্লগা তুমিন্না লৈশিনখিবা, মণিপুরদা পাল্লিবা কংগ্রেস সরকারনসু সেন্টরদা মীশি অসিগী মতাংদা করিমত্তা তকশিন্দনা লৈথোকপা, ওপোজিসন বিজেপি নসু মীশি অসিগী মতাংদা কর্নাটকাগী চিফ মিনিষ্টর উন্নগনি হায়রগা তুমিন্না লৈশিনখিবা অদুগা সিপিআইগী ওইনসু ষ্টেট সেক্রেটরি ডা: এম নরনা কর্নাটকাগী চিফ মিনিষ্টর উন্নদুনা ৱারী শান্নরে হায়রগা মখা তাবা থবকশিং চংশিন্দনা তুমিন্না লৈশিনখিবা কয়া অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চংশিনখিবা খোঙজংনি।

লুপ তরুক্না থিংজিনখ্রবা ওফিসশিং মীশি অসিগী মতাংদা সিপিআই দা শিন্নদুনা থিজিনদ্রিমখে হাংদোক্তুনা থবক তৌবা য়ারোই। সেক্যুরিটি লৌদুনা থবক তৌবা তারগসু মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী দাইত্য মশা-মশানা পুজগদবনি। সিটি পুলিসনা ফাজিনখিবা মহৈরোই ১৭ কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়খি।